# নুপী খুদিংমক্তা থম্মোয়না সেল্যুট তৌজরি

**(শা-ঙাদি মচা পোল্লগা লংথোক্তে, মীদি লংথোক্লি। শা-ঙাগী মতু অনী শুদে। মখোয় মীনম্বা থবক তৌদে। শা-ঙানা পৃথিবী অসি মাঙনবা থবক অমত্তা পাঙথোক্তে। মখোয় মশেল অমনা অমগী মতেং পাংনৈ। মখোয়দা অরোন-অথুপ অমত্তা লৈতে। মীগা শা-ঙাগী পুন্সিগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরে। ওইরিবা, শোয়রিবা পূন্নমকসি খরতা ওইরবসু শেমদোক্লমসি।)**

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

চহী ৩০ হেন্না পাউচেশিংদা, রেদিও অমসুং টেলিভিজনশিংদা ইজখিবা অমসুং ৱা ঙাঙখিবদা লমদমসিগী ইকায়খুম্নজরবী নুপীশিংগী মরমদদি ঙসি ফাওবদা ফোঙদোকচদ্রি। ঙসি ৱাফমসি ফোঙদোকচবগী তাঞ্জাদু লৌজরি। অরান-অহুই য়াওরবসু ঙাকপীগনি খঞ্জে। মরমদি নুপা ঐখোয়দি পুন্সিগী লন্থীসি মনুং থিৎনা খন্থবা ৱাৎলি। অদুনা নুপানা নুপীশিংগী ৱাসি ইতা তাদনা, ৱাখল মুন্না খন্দনা, চুমই ঐনা হায়রিবসি তৌ হেক্তা হায়রি। নুপা অমত্তনা মপোক খুদিংগী নুপীগী মপোকসি ওইনা পোক্লিংবা য়াওরমগনি হায়বসি থাজদে।

মপাঙ্গলদি নুপানা হেন্না কল্লি হায়না লৌনরি। অদুবু নুপীনা হেন্না শুবা নোম্বদি কল্লি। তাইবঙগী লীলাসিদা অশোনববু হেন্না তুহৎপীবা, নৈহৎপীবসু, ওৎপী-নৈবিবসি পাঙথোক্লি। অকনবা নুপানা হেন্না থবক শুফম থোক্তরা? করিগীদমক নুপীবু নমদুনা ফারগা লৌবা হৌনবরা? নমদুনা লৌরগসু করিগীদমক ওৎপী-নৈবীবা, শা-ষণনা ফাওবা পাঙথোক্ত্রবা থবকশিং করিগী তৌফম থোকপগে?

লুহোংবা নুমিৎতা মমানা মহাক্কী লোয়নবীনি হায়দুনা নমদুনা লৌরক্লবা নুপীদুদা ফমুংদগী কৌথরগা মমানা নুপীদুগী মখোঙদা চবেৎ-চবেৎ নেৎপদা করিসু হায়দবা করম্বা মখলগী নুপানো? মমাদু নুপীনি, মমৌদু মচানুপীনি হায়না থম্মোয়না করিগী খন্দবগে?

মমৌ ওৎপসি মনেমবোক্না ওৎলি। মকুবোক্না মমৌবু থীনা তৌবসি তৌনদে। ওৎপা য়াওরম্লবদি মহাক্তুসু নুপাদি নৎত্রে। লুহোংবা নোংঙাল্লগা গাড়ীগী অতোংমল লৈতরে হায়দুনা মমৌগী সনা থুগাইরগা গাড়ীগী অতোংমল পীখিবা ইমুংসু খুন্নাইসিদা য়াওখি। অসুক য়াম্না ঈজৎ লৈজদবা, ইকায়বা হায়বদু মচেৎ অমত্তা খঙদবা মীওইশিংসু খুন্নাইসিদা হিংলি। অসিগুম্বা ইমুংদা মমৌ ওইরুবসি খ্বাইদগী লাইবক থীরবী নুপীশিংনি। ফত্তবগী হীদাক লৈতে হায়বা থায়নগী প্রমানদু অরানবনি। ফৎতে খঙলবদি খুদত্তুদগী ইমুংদু থাদোক্লগা চৎকদবনি। হীদাক হায়ববু ফত্তবদগী লাপথোকখিবদুনি। শম্লদবদুনি। মপোক খুদিংগী মখোয়গী মশক উদবদুনি হীদাক হায়রিবসি।

ফত্তবগা লৈমিন্নরগা তাঙলবা পুন্সিগী মতমসি মাঙহনগদরা? ৱাখ্রবা মীওইবগী মপোকসি ফত্তবগা লৈমিন্নরগা হেন্না ৱাহনবা হৌনদে। পাপকী ফলদি পাপনা ওইবনি। মচা য়াওরগা ফত্তবা ইমুংদু শেমদোকপা য়াগনি খনবসু য়াম্না অরানবা খোঙথাংনি। ফত্তবা ঈগী মচাশিংদুনা হেন্না ফত্তবা ওইগদৌরিবনি। অসুম্না নুপীশিংগী পুন্সিসি অৱাবগী মথক্তা হেন্না হেন্না অৱাবশিং হাপচিল্লিবনি। ৱাখল মুন্না খন্থবা ৱাৎপদগী থোক্লিবনি।

সংসারসিদা লৈরিবা জীব পূন্নমকসি নুপা-নুপীনা পুল্লগা মচা পোক্লিবনি। মচা শেম্বদা মমা-মপাগী থৌদাং য়াওই। অদুবু নুপা খরদি মচা শেম্বদা করি অমত্তা য়াওদনা পুং ২৪ য়ু থল্লগা মপুন্সিদু নুংঙাইনা লেল্লি। অদুগুম্বা নুপাদু তাইবঙ মীওইবগী মরক্তা তিনবা য়াবা নুপাদি নৎত্রে। জেব্রা হায়বা জীবদু নুপীদুনা মচা পোল্লগা মপানা মচাদু শেন্নে। অসিগুম্বা ৱাফমসি ফাওবা খন্থবা ঙমদবা মপা হিংলি। অদুদি মচাশিংদু তুংগী লম্বেল অমমমদি শেন্নমগে ফাওবা খন্থখিদ্রি। করম্বা মখলগী মীওইবনো হায়বদু খন্থবা ঙমদরে। ফত্তবা মী হায়বসিদি মহাক্কী ঈদু শিনদ্রিবা ফাওবা অফবা মী ওইবা য়ারোই। ফত্তবা মী হায়বসিদি মপুন্সিদু ফররোইদবা মীনি। মহাক্না লোয়নরুবা মী খুদিংমক্না ৱাগনি। মহাকপু লংথোক্লম্বনা খ্বাইদগী অফবা পাম্বেনি। ফত্তবা মীগা লোয়নবা হৌনদে। মীবু শারংদা থম্বা য়াবরা? নুপীনা নুপা অমদগী হেনবা য়াদে হায়বা লো লৈতে।

পুন্সিসিদা অফবা থবকশিং পাঙথোক্লবা পোক্লকপনি। মরাইবক থীরবী নুপীশিংবু ওৎপী-নৈবীবা নুপাশিংদগী লাপ্পা লৈবিয়ু। অদুনা নুপীশিংনা নুপাদু ফৎতে খঙলবদি খুদক্তা থাদোকপীয়ু। নুপীশিং নতোমতা পুন্সিদু নুংঙাইনা লৈবীয়ু। শা-ষণগুম্বা নুপাগা মিৎকুপ অমা ফাওবা লৈবিগনু। ইশা ইশাগী পুন্সিদি ইশানা শেমজগদৌবনি। কনা অমত্তনা ইশা ইশাগী পুন্সি য়েৎহল্লোইদবনি।

নুপাদি চান্মগী মপুনি হায়বা ৱাহৈসিসু খ্বাইদগী অরানবা ৱাহৈনি। নুপা-নুপীগী হকসি চপ মান্নরবনি। হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিংনা নোক্লি ৱাহৈসি তাবদা। কনানা হায়রিনো হংলি? নুপীসু চান্মগী মপু ওইবা য়াই। Elizabeth Taylor অমেরিকাগী ফজখ্রবী এক্ট্রেস অদু তরেৎলক লুহোংখি। নুপী খরদি নুপা কয়াগা লোয়নবসু লৈরি। করিসু কায়দে, মী মীগী অপাম্বনি।

ঐখোয় মীওইবসি অহানবা মপোক, অনীশুবা মপোক, অহুমশুবা মপোক হায়নরিবসি থম্মোয় পানবা মীশিংগীদি মীদি মানবা, মীদি নত্তবা মীদদি ৱাফমসি লৈতে। মচাদি মমাগী দাইত্বনি হায়বসু লাল্লি। মপা-মমা পূন্না মচাদু শেমগদৌবনি। সমুদ্রদা লৈরিবা ঙা Aronowa Fish ফাওবা (ঙা মখল অমনা) ঙা অমোমনা মরূমদু কামথোক্লগা (মচিন্দগী) ঙা লাবনা মরূম অদু মচিননা য়োৎশিল্লগা নুমিৎ ৫০ মচিন অদু কাথোক্তনা করিসু চাদনা, চরা হেল্লগা মচাশিংদু নুংশিবগী মপা ওইবগী চপ চাবা মথৌদু তৌরি। মচা পোকথোক্লগা হন্না য়েংদবা মপাদুদি করম্বা মখলগী মীওইবনো হায়বদুদি মীয়ামসু খন্থবীরো।

অশোয়-অঙাম খুদিংমক নুপা-নুপীনা ঙাকথোক ঙাকশিন তৌরগা পুন্সিসি হিংগদৌবনি। খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনা মতৈ-মনাও নুংশিন্নদবগী থোক্লোইদবা থৌদোকশিংসি থোক্লিবনি। মীনুংশি য়াওদবা থম্মোয়দি তাইবঙ মীগী শক্তম ওইরবসু অশেংবা মী নত্তে, ভুট কুম্বনি।

য়ূম পাল্লগা ৱানা হিংবগী মহুৎ য়ূম পান্দবনা ফবনি। মচা-মশুনা অহল ওইরগা থৌগল তৌবীগনি হায়বদুগী মতম নৎত্রে। নুপীনা মচা নুপা পোকপদা হরাওজবদু পুন্সি লোইরমদাইদা কপ্লগা হিংলিবী নুপী কয়া মিৎনা উরি। জৱাহরলাল নেহরু মচানুপী Indira Gandhi খক্তমক পোকখি। মচানুপা য়াওদ্রবসু মচানুপী অদু ৱর্ল্ড সিটিজেন ওইখ্রিবদুনি। মমাদি মচানুপানা হায়রি মখৈ তৌই। কার লৈয়ু লৈরি। মখোল হৌবা মোটোর সাইকল লৈরি। মপা তাহন্দনা তূমিন-তূমিন্না ফত্তবশিং পাঙথোক্লি। নেপোলিয়নগী ৱাহৈদু নীংশিংসি "Give me a good mother, I will conquer the whole world". খুন্নাইসিগী মচানুপাশিংনা করি-করি পাঙথোকই হায়বদুদি মীয়ামসু উবিরি। মমা-মপাবু হেন্না নুংশিবদি মচানুপীনা হেনবনি।

ফত্তবা মমা-মপানা অফবা মচা পোকপসু লৈরি। মমা মপাগী অশোয়বদু ৱাখল খনবা অঙাংদি মতোমতা শেমদোকচরি। খুন্নাইসিগী সোসল কলচর অসি সংসারগী মফম অমত্তদা চৎনদে। কংলৈপাক্তা চাদা ৯০দগী হেন্না চেল্লগা লুহোংলি। হায়ন-শিংনরগা লুহোংবসু অশোয়বা পুন্সি লৈপুন ওইবা য়াম্না য়াওরি। ঈ মশেল মরক্তসু শা-ষণনা পাঙথোক্তবা, অরোনবা মরী য়াম্না লৈনরি। ইবদা য়াবা নত্তে।

অতোপ্পা ৱাফম খরদং ইজরি। ৱেষ্ট জর্মনিগী চাঞ্চেল্লর ওইরম্বী Angela Merkel গী ৱাহৈ খরদং পঞ্জগে। অহানবা নুপাদু কায়নবদগী মহাক পৃথিবীগী মীয়াম্না খঙনখিবনি। য়ানদ্রবদি খাইনবনা ফৈ হায়বসি মহাক্না উৎখ্রবনি। মহাক্না থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ৱেষ্ট জর্মনিগী মীপূম খুদিংনা মিনট তরুক খুবাক খুদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎখি। অসিগুম্বা ঈজৎসি পৃথিবীগী লৈবাক অমত্তনা পাঙথোকখিদ্রি। মীয়ামগী অফবা থবক তৌরম্বগীনি।

নাগালেন্দসু চহী ৩০ হেল্লবগী মতমদা চীফ সেক্রেটরি অমা নাগালেন্দগী নুপীনা ওইখরে। উত্তর প্রদেশতসু চহী ৫০গী মমাঙদা Smt. Sucheta Kripalani না চীফ মিনিষ্টর ওইখি। Smt. Padmaja Naidu, Smt. Sorojini Naidu গী মচানুপীনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর ওইখিবদু পন্দিট নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদনি। Smt. Vijaya Laxmi Pandit, Pandit Nehru গী মচলনুপীনা পৃথিবীগী ইহান হানবা নুপী U N জেনরেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রবনি। Smt. Kiran Bedi নুপীগী ইহান হানবা আই পি এস ওফিসরনি। চহী ৩০গী মমাঙদা উত্তর প্রদেশতা নুপীনা দি জি পিগী ফম পায়খ্রে। হৌজিক ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবিরিবী শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমু, ইন্দিয়াগী অনীশুবী নুপীনি। Smt Indira Gandhi না নুপীগী অহানবা পি এমনি। মসিদগী হেন্দুনা নুপীনা মকোক ওইবী ফম কয়া অমসু লৈরি।

লমদমসিগী নুপীনা চীফ মিনষ্টর, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পিনচিংবা ফম কয়া পায়হন্নীংই। অদুম তৌরবদি ময়োল পৎলবা খুন্নাই অসিদা অফবা অওনবা অমা লাকপা য়াই। লাইরিক য়াম্না পাহন্নীংই নুপীশিংনা। অহেনবা লৌশিং হায়বসি লাইরিক মথং মথং পারগা খঙলকপা ঙাক্তনি। লাইরিক পাবীয়ু। পৃথিবীসিদা থোক্লিবা অফবশিংসি খঙজিনবীয়ু। মতম য়াম্না ফজনা শীজিন্নবীয়ু। কান্নদবদা মতম মাঙহনবীগনু।

নুপী ওইবীগী খ্বাইদগী ফজবা মতিক মগুনদি খোঞ্জেল ফজবা অসিনি। ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাদি ঐখোয়না সংসারদগী পোত্থাখ্রবসু লেঙদনা লৈহৌবনি। মফম মরাং খঙদবা, লমচৎ শাজৎ অমোৎপা নুপাগা খক লোয়নবিরুগনু। ঈজৎ, মিংচৎ, মতম মাঙনবনি। নুপীনা নুপাগা কোইচৎ চৎপসি নুপীগী ঈজৎ য়াম্না শোকই। নুপা মরক্তসু নুপীবু শান্নপোৎতৌনা খনবা য়াম্না য়াওবনি। নুপা মরক্তা চাওখৎতবা য়াম্না লৈরি।

খুন্নাই অসিদদি নুপীনা থৌদোক-ৱাথোক খুদিংদা মকোক চিংলগা লাক্লি। নুপী লান অনীরক শুখরে। নুপানা ফম্নাইবা মকোক ওইজরবসু হৌজিকসু মরুমদদি নুপীনা পূন্নমক শিন-লাংলি। লমচৎ-শাজৎ চুমদবা কয়া ইলেক্সনদা মায় পাক্লিবসি নুপীশিংনা শৌগৎপদগীনি। অদুবু নুপীনদি নুপীবু মতেং পাংদরি। হেন্না মতেং পাংনফম থোকপনি। খুন্নাইসি ফগৎনবা নুপী অয়াম্বদি অঙম্বা শরুক য়ারি। নুপী খরদি ফত্তবা লমচৎ শাজৎ চৎলি। য়ারবদি নুপী চেন্থবা খরসি নুপী কাঙলূপনা ৱারকপীয়ু। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা নুপী খরদি লৈরি।

নুপাগা নুপীগী চাংদম্নবদা নুপীনা চেকশিনবা য়াম্না হেল্লি। অৱাবা থবকসু নুপীনা অয়াম্বসি শুরি। নুপীগী মথৌদি লোইবা নাইররোইদবা থবকনি। নুংশিনদ্রবা নুপা নুপীনা মচা পোক্লোইদবনি। মচাশিংদু অফবা মীওই অমতা ওইরোই। মীনুংশি য়াওদবা জীবগা চপ মান্নগনি। নুপা নৎত্রগা নুপীসি য়ূম পানদবা য়াদে হায়বা লৈতে। য়ূম পানদবনা হেন্না ফরবনি, হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিং উবদা। মমা মপা ৱাননবা মচা পোকপরা হায়বা ৱাহংসি লাক্লি। মৱা ফত্তবা ওক্তবা নুপীদি মীয়াম্না ইকায়খুম্নদে।

আর্মিগী কষ্টম অমসুং ত্রেদিসনদদি নুপীসি খ্বাইদগী হেন্না ইকায়খুম্নে। চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফনা খ্বাইদগী জুনিয়র ওইবা সিফাই অমগী নুপীদা সেল্যুট তৌরি। নুপী অমগী মফমসি য়াম্না চাউনা থল্লি। নুপী চঙলকপদা ফমদুনা লৈরম্বা ওফিসর পূন্নমক হৌগৎলি। চাবদা লেদিজ ফর্ষ্ট হায়না নুপীশিং হান্না চাহনগনি। থবক থৌরম খুদিংদা নুপীনা গেষ্ট ওইনা লোয়নৈ। অসিগুম্বা ত্রেদিসনদি খুন্নাই অসিদদি মঙদা ফাওবা উররোই। খুন্নাইসিগী তাইবঙদি মালেমগী চৎন-কাঙলোনগা শুকমান মান্নদবা মংলানগুম্বনি। অঙকপা লমনি।

তমজনীংইঙাই ওইবা অৱাংবা থাক্কী ময়াং লৈবাক্কী ইমুং খরগা লোয়নরকপা উরকপা খরা ইজগে। মীপূম খুদিংমক ফমুংদগী হেক হৌগৎলকপগা সূর্য্য দেব হায়বদি নুমিৎ খুরুমই। অফবা মী ঙাক্তা ওইবনা অয়ূক অঙনবদা কনানসু হৌদোক্লদনা মতোম মতোমতা হৌগৎলি। মচাশিংনা মমা মপাবু নুমিৎ খুরুম্লবা মতুংদা খোঙ শোক্লগা খুরুমই। কংলৈপাক্তা লাক্লিবা ময়াং মচাশিংদি আই এ এস, আই পি এস ওফিসরদগী হৌরগা কুলি ওইনা ইম্ফাল বজারদা শেন্দ্রাংগী মহুৎ শিল্লগা হিংলিবা পূন্নমকসি অৱাংবা অফবা ইমুংদগী অমত্তা নত্তে। পুন্সি হিংনবগী লাকপনি।

ইজরিবসিনা ঙক্লা থোকই, অতোপ্পা ষ্টেট অমদা গভর্ণমেন্ট সার্ভেন্ট অমসুং পব্লিক সার্ভেন্ট হায়বদি মীয়াম্না খনবা ফম্নাইবশিংসি নুপী অমখক্তগা মতৈ মনাও ওইনা হিংমিন্নরি। গভর্ণমেন্ট সার্ভেন্টদি নুপী অমদগী হেনবা য়াদে। নুপী অমদগী হেক হেনবদা সর্ভিসতগী দিসমিসদ্ তৌগদৌবনি। পেন্সন অমসুং খুদোংচাবা অমত্তা ফংলোই। মণিপুরদা পোষ্টিং তারক্লিবা রিজার্ভদ্ কোটা, কন্সেসনগী কোক্তা পাস তৌরকখিবা আই এ এস ওফিসর, চীফ সেক্রেটরি ফাওবা কয়া ওইখরে। মখোয়দা লমদম অসিগী নুপীনা অতোনবী ওইনা লৈশিনবা অসিনি ঙক্লিবসি। ময়ূম পান্দনা ঈজৎ লৈনা হিংবা য়াদবরা? নুপীনা মশাগী পুন্সিগী মীংচৎ মাঙহল্লোইদবনি। ফম্নাইবশিংনা নুপী লোনবসি মফম অসিদতনি। অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তদা য়াদে।

ঙসিসু ৱাফম অসি অমুক্ক হন্না ইজরি। মরমদি হন্না হন্না ইবা তাবনি, লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা ঐখোয় পূন্নমক তূমদুনা হিংবা হৌনদে। মীওই খরনদি হঞ্জিন হঞ্জিন ইরিবসি করিগীনো খল্লমগনি। অফবা থবক তৌসি য়াদ্রিবা খুন্নাই ওইরি। খুন্নাইসি কাথেকখ্রবনি করপসনগী কেন্সরনা। করপসনগী হংলাই পূন্নমক মথক্তা হেক য়ৌদ্রিবা ফাওবদি খরা ৱাখিগনি। মীয়াম্না অফবা মীহুৎ খনদ্রিবা ফাওবদি খুন্নাইসি চাওখৎতবা লমদম ওইদুনা অদুম লৈখিগনি।

কংলৈপাক অসি কংলৈপাক্তা পোকপা মচাশিংগী ওইহনসি। অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীশিংদা য়োনখিবা মফমশিং মরু ওইনা থাঙ্গাল বজার অমসুং পাওনা বজারগী এরিয়া অনীমকসি গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবীরো। সরকারনা মওং তানা প্লান তৌরগা অফবা দুকানশিং শারগা ভারাদা শান্দোক্লবদি গভর্ণমেন্টদা অচৌবা রেভন্যু (ইনকম) অমা লাক্লগনি। প্রজাগী য়াইফবা থবকশিং পাঙথোকপা য়ারগনি। নাগালেন্দদা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীশিংসি মমাই ফাওবা হাইগৎলগা হিংবা ঙমদে। মফমসিদদি মখোয় য়াম্না পোংনা চাওনা লৈরি।

গ্রেটর ইম্ফালগী পেরিমিটর ময়াদা রেলৱে ত্রক য়ৌহনলোইদবনি। লাপ্না রেলৱে ষ্টেসন থমহৌগদবনি। ৱাখল ৱাৎপা ফম্নাইবশিংনা লোক্তাক প্রোজেক্টকী অয়াবা পীথোকখিবদগী ঙসি কংলৈপাক্কী পোত্থোক কয়া ৱাৎলিবসিনি। অশোয়বশিংসি মথং মথং পাঙথোকলোইসি। কংলৈপাকসি নোংম-নোংমগী কংশিল্লক্লি - পোলিটিক্স (রিজনেল পার্টি মূৎখ্রে), সোসলদা (মতৌ তম্বদা ইনাৎ মাঙখরে), মীগী থৌজালদা, য়াথংদা হিংলি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# কাংঙোই খুনৌগী মরিং নুপীশিংদি থুমোক-তাইরুক, মেরুক ১সুং পাই শাবনা য়ূম পুবা ঙল্লি...

*লামায় ১গী মখা...* রোম শুরক্লে। মপুরোইবা নৌনা কায়নখ্রবা মতুংদা মতমদুদা পীক্লিবী মচা ৪বু য়োক্লবগীদমক হোৎনরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরকখি। অদুবু হিংদবদি য়াদবগা লোয়ননা মচা ৪বুসু য়োক্লবগীদমক থুমোক-তাইরুক, খরাই, মেরুক, শঙবাইনচিংবা ৱানা শাবা পোৎলমশিং অসি শারগা পল্লেল অমসুং ককচীং তান্না পুদুনা য়োনবা চৎলি। হৌগৎলকপা মতমদা পল্লেল ফাওবগী কিলোমিটর ৭কী লম্বী অসি খোঙনা চৎতুনা য়োল্লি। অদুগা অশিৎপা শেনফমদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা অঙাংশিংগী মফি মরোল লৈদুনা খোঙনা অমুক ময়ূম তান্না হল্লকখি। হৌজিক্তি লম্বী অসিগী ফীভম ফগৎলকপা অমসুং মী পুথোক পুশিন তৌবীনবা ওটোরিক্সোনচিংবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং থোরকপদগী খোঙনা হঙ্গৎ হন্দা চৎপগী অৱাবা অদুদি কোকখ্রে হায়রি।

মরিং ফুরুপ অসি চৎনবী অমা ওইনা ৱানা শাবা পোত্থোকশিং শেম শাবদা হৈনদুনা লাকই। মরু ওইনা মীয়াম্না হৌজিক ফাওবদা পাম্না শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা থুমোক মখলশিংনি। অদুগা থুমোক্কী কাঙলূপ্তা খ্বাইদগী চাওবনা শঙবাইনি। মসিগী মথংদা লিখাই অদুগা লাইতং য়াওই অদুগা খ্বাইদগী পীকপনা মেরুকনি হায়রি।

শঙবাই অমা শাবদা ইমুংগী থবক ইনখাং শুনা নোম্না নুমিৎ নীনিগুম্বা চঙই অদুগা য়োনবদনা শঙবাই অমগী মমল লুপা ৬০০তা য়োল্লি। অদুগা মসিদা চঙখিবা ৱাগী মমল খাইদোকখ্রগা লুপা ৫০০ রোম অৱামল ওইনা ফংই হায়রি। লিখাইগুম্বা শাবদি নোংমদা অনীগুম্বা লায়না শাবা ঙম্মী। মসিনা অমমমদা লুপা ২০০/২০০দা য়োল্লি। লুপা ২০০ পীবা ৱা (লিং) অমনা লিখাই ১০ নৎত্রগা ১১ শাবা লেম পানা কোন্নে। মরম অসিনা চাংচৎতা ৱাগী মমল খাইদোকখ্রগা নোংমদা য়ামদ্রবদা লুপা ৩৫০ রোমগী চাংদা ফংবা ঙম্মী। লাইতং ওইরগনা নোংমদা অহুমগুম্বা শাবা ঙম্মী। অদুগা লাইতং অমগী মমলনা লুপা ১৫০দা য়োল্লি। অদুগা লুপা ১০০ পীবা ৱা অমনা লাইতং ১৪/১৫ শাবা কোন্নে। মেরুক্কী ওইনদি পীকপনিনা নোংমদা মচাক তানবা লোইরবদি মেরুক ১০দগী ১২ ফাওবা শাবা ঙম্মী অদুগা অমমমদনা লুপা ২৫দগী ৩০ ফাওবগী চাংদা য়োল্লি। মেরুকখক্তং শারগদি নোংমদা লুপা ২০০দগীনা ২৫০ ফাওবগী শেন্দোং খক্তমক ফংই হায়রি।

থৌনা ফৰী মরিং নুপী কে এন তেমুইনা মখা তানা হায়, মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না হৌজিক ফাওবদা লৈনরিবা থুমোকশিংগী মনুংদা লিখাই অমসুং লাইতংগী থুমোকশিংনি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক্তি হায়রিবা থুমোক মখল অনীসিনা অয়াম্বা মতমদা শারে। অদুবু শঙবাই, পাই, শম, তুঙ্গোলনচিংবা মখলশিংদি অপাম্বা মীওইশিংনা শীংলকপগী মতুংইন্না শাবা নত্তনা অতৈ মতমদদি কয়া শাদ্রে। অদুবু শুপচিন্না য়েংবদা মরিং নুপী অমনা থা অমদা ইমুংগী থবক ইনখাং শুনা শুনা থুমোক শাবদা লুপা লিশীং ৫/৬কী চাংদা তানবা ঙম্মী। খরগা হেন্না মায়পুননা শারগনা লুপা লিশীং ৮দগী ১০ ফাওবা তানবা ঙম্বসু য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

পাই হায়রিবা থুমোক মখল অসি লৌমীশিংনা লৌবুক্তা হার চাইবদা শীজিন্নবনি অদুগা শম হায়রিবসিনা চীংগী মফমশিংদা পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌবদা তোয়না শীজিন্নবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাদগী শাবা মখল মথেলগী পোৎলমশিং অসি ৱা মখল অমনা হেক্তমক শাবা য়াব্রা অদুগা ৱা য়ানবগী মতমনচিংবা লৈব্রা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, থুমোক শাবদা শীজিন্নরিবা ৱাশিংগী মখল লৈ। মরিংগী লোলদা 'পুই ৱা' অমসুং 'লিং ৱা' হায়রিবা ৱা মখল অনী অসিনা মপূং ওইনা শীজিন্নৈ। অদুবু মশাগী য়ূমদা ৱা মরাং কায়না হৌদবনা মীঙোন্দগী লৈবদা পুই ৱানা অমমমদা লুপা ২০০ অদুগা লিং ৱানা লুপা ১০০দা লৈ। ৱাশিং অসি য়ানবগী মতমদি মরু ওইনা মেরা হিয়াঙ্গৈ মতমদা য়াল্লি। অতৈ মতমদসু য়ানবা য়াওই অদুবু ফাইরেন, লমতানচিংবদা য়ানবদি শুম তাও চাই হায়নবা লৈবদগী ৱা য়ান্নদে হায়রি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা মতেং পাংবিরকপা য়াওখ্রবগে হায়না হংবদা কে এন তেমুইনা মখা তানা হায়, মহাক মশামক্কী ওইনদি লৈঙাক্কী ওইবা ক্রাফ্টসমেনশিংদা পীবা নৎত্রগা মপুরোইবা লৈত্রবী নুপীশিংদা পীবা পেনস্নন্নচিংবা করিগুম্বা অমত্তা ঙসি ফাওবা লৈত্রি। তান্নরুনবগী মতমসু লৈতে অদুগা মসিগীদমক তান্নবীনবসু লৈতবনা কান্নবা অমত্তা ফংদ্রি হায়রকখি।

খুলগী নুপীশিংগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি লৈ। মদুদগী শেল খরা খরা পুরগা থুমোক-তাইরুকশিং শাবনি অদুগা য়োনবদগী ফংলকপা শেনফমদগী ইমুংগী শীজিন্নরবা মতুংদা পুরুবা শেনফমশিং শীংদোকই হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্না পূক্লিং নুংশিনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংগী মনুংদা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদদি চেনবী চোংবীনবা লৈতবা অমদি শেল লাকফম খঙদবনা লৈঙাক্কী কান্নবশিং ফংবা ঙমদে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা চীংগী খুলশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীগদবা অমসুং পীরিবা কান্নবশিংগী মরমদা খঙহনবীদুনা ফংহনবীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি হায়রকখি।

ꯃꯣꯛ ꯇꯦꯁ꯭ꯠ ꯲꯰꯲꯲

Last date of Form Submission 31st Dec 2022

TEST YOUR KOWLEDGE IN

4th STATE LEVEL PREPARATORY MOCK TEST 2023 FOR CLASS X (TEN) MANIPUR BOARD

Orgd. By... EDUCITY, Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal 795001

The question will be the same as HSLC Manipur board.

| Date of exam | Subject | Time |
|---|---|---|
| 8th Jan 2023 | Eng 1 & 2 | 9:00 a.m. - 12:00 p.m. |
| 15th Jan 2023 | Mathematics | 9:00 a.m. - 12:00 p.m. |
| 22nd Jan 2023 | Science | 9:00 a.m. - 12:00 p.m. |
| 29th Jan 2023 | Social Science | 9:00 a.m. - 12:00 p.m. |

| Subjects | Full Mark | Pass Mark |
|---|---|---|
| Mathematics | 80 | 40 |
| English | 80 | 40 |
| Science | 80 | 40 |
| Social Science | 80 | 40 |

PRIZES:
1st Position - 30,000 + Certificates.
2nd Position - 20,000 + Certificates.
3rd Position - 10,000 + Certificates.
4th – 25th Position – Consolation Prize of Rs. 1000 each + Certificates
*Subject Toper – 3000 for each subject + Certificates.
*Best School will be announced to the 1st Position holder's School.

Contact Us
7005349894
9612194500
TIME – 10:30 am to 3:30 pm

Forms Available At :-
* Sirey Staionery - Singjamei Super Market
* Heemabala - Canchipur near M.U gate
* Universal Stationery - Lilong Bazarr
* Shila Book Store - Thoubal Bazar
* Sharma Distributor - Yairipok bazar
* Amar Book Store - Khangabok Bazar
* K.B Book Store - Wanjing Bazar
* Romi Book Store - Moirang Lamkhai
* Naresh Book Store - Moirang Bazar
* Lily Book Store - Oinam Bazar
* Sirey - Kwakeithel Bazar
* Grand Paper Mart - RIMS Road
* Compact Service - Khuyathong Turning
* Phijam Stationery - Chingmeirong
* L.K Book Store - Lamlong Bazar
* Lairik Book Store - Khumbong Bazar
PP Collection - Kakcing Bazar, Thong wangma
* Baby Book Store - Mayang Imphal Bazar
* M/s Computer - Laxmi Bazar, Yumnam Huidrom
* Bros Store - Wangoi Bazar
* Leima book Store - Nambol Bazar
* 1K Book Store - Bishnupur Bazar
* Tamo photo Studio - Ningthoukhong Bazar
* OS Stationery Sekmai Bazar

HL-B/7928/1-15/12

HL-B/7906/20/11-19/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE

FIRST COME FIRST SERVE BATCHES (EVENING)
4.30-7.50 PM/ 4.15- 7.40 PM
4.10-7.30pm 4.30 to 7.30 am

OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE & COHSEM EXAM

HSLC 2022 TOPPERS STUDENTS



2nd Post DHANAJIT · 9th Post. SWATI · 10th Post KHENILA · 11TH Post NEVITA · 15th Post AVANTIKA · 16th Post SHAGEINGANBA · 17th Post BIDAYA · 17th Post KHENIKA · 17th Post KHENLIA · 7th post SNEHA · 9th Post MALEM · 23RD Post. PARES · 24th Post TANU



SCIENCE: 11 TH Post NEVITA · 4TH Post ROBINSON · 6TH Post SUALI MINHAZ · 8th Post. ANJU ANAND · 9th Post. THOUNGAMBA · 16th Post SAMANANDA
ARTS: 3RD Post FIROJH. · 7TH Post OBINKUMAR · 8th Post. PARITON · 8th Post. PARIHAN · 10th Post. SANATHOI · 5th Post SHARMELI · 5TH Post BERON · 8th Post. LINTHOINGAMBI · 10th Post. BRINDASHI

STATE BOARD (BOSEM & COHSEM )
3rd REVISION BATCH X - XII (2022-23 )
CLASS X - 24th Nov. XII (SC/Arts/Com) - 24th Nov
LAST REVISION BATCHES
X- 5th DEC XII- 5th DEC (Sc/Arts/Com)
LAST DATE FORM SUBMISSION : 3rd DEC

HURRY LIMITED SEATS

CENTRAL BOARD (CBSE)
CBSE REVISION X-XII
CLASS X - 24th NOV XII - 24th NOV
LAST REVISION BATCHES
X- 5th DEC XII- 5th DEC (Sc/Arts/Com)
Last Date of submission :3rd DEC

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE (2023-24)
CLASS IX & X – 15th DEC XII –19th DEC

SPECIAL CONCESSION ON ACIAN , GOVT. SCHOOL, 85% AND ABOVE STUDENTS, PRINTED STUDY MATERIALS, MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY , SEPARATE BOYS/GIRLS BOARDING

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।